# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি অমসুং চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিন পিং ইরাই নুমিৎতা উন্নরগনি


ফাইল ফোটো

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি অমসুং চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিন পিং ইং ২০১৪ দা গুজরাটকী সাবরমতি আশ্রমদা অহানবা ওইনা উন্নখ্রবা মতুং ইরাই নুমিৎতা লুচিংবা অনী চাইনাগী ৱুহানদা উন্নরগনি।

সি জিন পিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিবু ওকপগা লোয়ননা মালেমদা ওইরিবা ফিভম অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

মাউ দিষ্ট্রিক্তকী মমিং চৎলবা সহর ইষ্ট লেক্তা লুচিংবা অনী উন্নগনি। মফম অদুগা থংননা লৈবা য়াংজে তুরেল খোঙবানদা লৈবা লৈকোলদা লুচিংবা অনীনা ৱারী শান্নবগা লোয়ননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্কনি। তুরেল অদুদা লুচিংবা অনীনা ইরোইদুনা শান্নরবা য়াই হায়রি।

সি জিন পিংনা ইন্দিয়াদা লাক্লম্বা অমসুং প্রাইন মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগা সবরমতি আশ্রমদা উন্নখিবা অদুদা চাইনাগী লুচিংবা অদুদা লৈবাক অসিগী নিং–খা তম্বগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মহাত্মা গান্ধীগী ৱাখল্লোনশিং খঙহনখি। লোয়ননা সি জিন পিংনা চাইনাগী লুচিংবা অমসুং শিংথানিংঙাই ওইরবা চরখাগী ৱাখল্লোনসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা খঙহনখি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাও অমগী মতুংইন্না লুচিংবা অনীনা চাইনাগী ইষ্ট লেকতা উন্নগদৌরিবা অদুদা করি ৱারী শান্নগদগে হায়বগী চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোরকখিদে।

অদুম ওইনমক লুচিংবা অনীনা লৈবাক অনীগী মরী অমসুং মালেমগী ওইবা ফিভম কয়াগী মতাংদা খন্নরবা য়াই হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি ঙসি নুমিদাং অথেংবদা চাইনাদা থুংখ্রে। পূক্নিং ৱাখল মকা লামহনবগী থৌশিল অমা ওইনা হয়েং সি জিন পিংগা উন্নগনি। মদুগী মতুং চাইনাগী লুচিংবা অদুগা হিরম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি হায়রি।

লুচিংবা অনীনা উন্নগদবা অদুগী মাঙওইননা চাইনাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি ৱুহানদা লৈগনি। লোয়ননা হান্ননা শেম শাবা নত্তবা মীফম অমা সি জিন পিংগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি।

চাইনাগী ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর কোং জুৱানয়ুনা পাওমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি চাইনাদা লাক্লগনি লোয়ননা খ্বাইদগী নুংঙাইবা মফম অমা ওইরিবা ৱুহানদা লৈগনি।

অদুমওইনমক সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মোডিনা ৱুহানগী করম্বা মফমদা লৈগদগে হায়বদুদি চপ চানা ফোঙদোকখিদে।

লুচিংবা অনীনা ৱুহানদা নুমিৎ নিনি লৈমিন্নগনি। নুমিৎ নিনিগী মতম অদুদা লুচিংবা অনীনা তোঙান–তোঙানবা ফোরমগী ওইবা মীফমশিং শরুক য়াগনি। লোয়ননা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লগনি হায়রি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা উন্নবগী থৌরম অদু হান্ননা শেম শাদবা ইনফোর্মেল ওইদবা মীফম অমা ওইরবসু লুচিংবা অনীনা মরুপ মপাং ওইনা পোত্থামিন্নবা অমসুং ইশু কয়াগী লমদা খন্নবনা মপুং ওইবা থৌরম ওইগনি হায়রি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা মতম শাংনা খুদোংচাদবা নৎত্রগা য়েৎনবা লৈরিবা হিরমশিংগী মতাংদা অমনা অমগী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লদুনা ৱারী শান্নগনি।

মোডি অমসুং সি জিন পিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা ফ্রেমৱার্ক অমা শেম্নবা খন্নরবা য়াই। লৈবাক অনীগী মরক্তা তত্তনা উংখৎনবগী থৌদোক ঙমখৈ পরিংদা থোক্লিবশিংগী মতাংদসু খন্নরবা য়াই হায়রি।

# কোরিয়াগী ঙমখৈদা কিম জোং উন অমসুং মুন জে ইন উন্নরগনি




ফাইল ফোটো

**সিওল, এপ্রিল ২৬ ঃ** কোরিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা ইং ১৯৫৩ দা লান থোকখ্রবা মতুং নোর্থ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট অমনা সাউথ কোরিয়াগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা মীফম পাঙথোকপা অহানবা ওইনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইনগা ইরাই নুমিৎতা ৱারী শান্নরগনি।

পুৱারী ওইরগদবা লৈবাক অনীগী মীফম পাঙথোক্লিংঙৈ মাঙওইননা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খূৎলাই থাদোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতুং লৈবাক অনীগী লুচিংবশিং উন্ননবা থৌশিল পায়খৎখি।

মদুদা নৎতনা কিম জোং উননা য়ুএসকী প্রসিদেন্ট ডোনাল্ড ত্রম্পকা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাগী অঙনবা শরুক্তা মীফম পাঙথোক্নবা ৱাফম পুখৎলকখি।

কিম জোং উননা লৈবাক অদুগী মিলিটরিগী ঙমখৈ লাননা চৎতুনা সাউথ কোরিয়াগা ওফিসিয়েল ওইনা উন্ননবা শেম শারি। অদুম ওইনমক উন্নগদৌরিবা মফম অদু লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা চঙশিন্দবা জোন অমা ওইগনি হায়রি।

সিওলনা পিয়োংয়াংদা ন্যুক্লিয়র খূৎলাই থাদোক্লবগী মতাংদা এগ্রিগেট অমা সাইন তৌননবা ৱাফম পুখৎলবা য়ারি।

হৌজিক নোর্থ কোরিয়াগী লৈরিবা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল টেক্নোলোজি অদু হেন্না এদভান্স ওইরবা মখল অমা ওইরি। মমাঙদা ওইরম্বা ফিভমদগীদি নোর্থ কোরিয়াগী হৌজিক লৈরিবা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল টেক্নোলোজি অদু কা হেন্না এদভান্স ওইরবা অমনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট ওফিসকী ৱাঙাংলোই ইম জোং সিওকনা হায়, হৌখিবা চহী ১০ গী মমাঙদগী ন্যুক্লিয়র খূৎলাই লৈতনবা কোরিয়ান পেনিন্সুলা অমা ওইহন্নবা সাউথ কোরিয়ানা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখিবনি হায়নসু পাও অসিনা মখা তারি।

# টর্কি কোর্টনা পাওমী ১৩ জেলদা থম্নবা ৱায়েল লাওথোকখ্রে

**অঙ্করা, এপ্রিল ২৬ ঃ** টর্কিদা লান্মীনা কুপ তৌননবা হোৎনখিবা থৌশিলগা মরী লৈননা কোর্টনা ঙসি পাওমী ১৩ টেরোরিজমগা মরী লৈন্নে হায়বগীদমক জেলনা থাজিনখ্রে।

কোর্টকী ৱায়েল অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা প্রেসকী নিংতম্বা খোঙ্গাওনহল্লে হায়না য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

ওপোজিসন পার্টিনা ফোঙবা কুমহুরিয়েট পাওচেগী পাওমীশিং অদুগী মথক্তা টর্কি লৈঙাক্না কুপ তৌনবা হোৎনবগী মরাল শিদুনা কোর্টতা ৱায়েল চত্থরকখিবনি।




ৱায়েল চত্থরকপা অদুদা পাওমী ৩ দি মরাল লৈতে হায়না থাদোকখি। ইং ২০১৬ কী জুলাই থাদা লান্মীনা লৈঙাক অদুবু কুপ তৌননবা হোৎনরকখিবগা মরী লৈননা পাওমীশিং অদু ফাজিন্দুনা থম্লরকখিবনি।

কুমহুরিয়েট পাওচেগী পাওমীশিং অদুনা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেন শৌগৎলি হায়না মরাল শিখি। লৈবাক অদুগী লানহৌলুপ কর্দিষ্টান ৱাকর্স পার্টি, অল্ট্রা–লেফট রিভোলুসনরি পিপলস লিবরেসন পার্টি ফ্রন্ট, ক্লারিক ফেটুলা গুলেমনচিংবা লুপশিংগা মরী লৈনে হায়বা অকনবা মরাল শিরি। কুপ তৌনবা হোৎনরকখিবা অদুদা পাওমীশিং অদু চৈন্নে হায়নসু মরাল শিরকখিবনি হায়রি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মমতা বেনরজিনা দিমোক্রেসি খোঙ্গাওনরে ঃ বিজেপি

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ ঃ** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজিনা ষ্টেট অদুদা দিমোক্রেসি খোঙ্গাওনরে। মহাক্কী ৱাকরশিংনা ষ্টেট অদুদা হিংশাগী থৌদোক কয়া চথরি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বিজেপি) না মরাল শিখ্রে।



ষ্টেট অদুদা পঞ্চায়টকী মীখল পাঙথোক্নবা শেম শারিঙৈ চৈরক্তা বিজেপি ষ্টেট য়ুনিটনা ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং হোম মিনিষ্টর উন্নদুনা ষ্টেট অদুদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংগী মতাংদা পাওদমখ্রে।

বিজেপিগী ৱাকর অমা হাৎখিবা অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংহনখিবগী মতাংদসু পাওদমখি। পাওমীশিংগী মমাঙমক্তদা ট্রিনামুল কঙ্গ্রেসকী ৱাকরশিংনা মখোয়গী মায়োক্তা মীরেপ ওইবা অমসুং মীখলগী থবক তৌবা বিজেপি ৱাকরশিং ফু–চৈবগী থবক চত্থখি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং ষ্টেট অদুগী লুচিংবা মুকুল রোয়, রুপ গাঙ্গুলি অমসুং রাহুল সিনহানা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মমতা বেনরজি লৈঙাক ওইহল্লিবা ফিভমগী মতাংদা সেন্টরশিংগী লুচিংবশিংদা খঙহনখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সুপ্রিওনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক অসি দিসমিস তৌবা য়ারবা অমনি। বিজেপিগী ৱাকরশিংনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট মীখলদা ট্রিনামুল কঙ্গ্রেসপু চপ চানা মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বিজেপি লুচিংবা মুকুল রোয়না হায় মমতা বেনরজি দেমোক্রেসি হাৎপা মীওইনি। ট্রিনামুল কঙ্গ্রেসকী ৱাকরশিংনা বিজেপিগী ৱাকরশিং হাৎপা অমসুং ফু–চৈবগী থৌওং কয়া চত্থরি।

বিজেপিগী লুচিংবশিং অদুনা সেন্টরশিংগী লুচিংবশিংনা ট্রিনামুল কঙ্গ্রেসকী ৱাকরশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মফম কয়াদা মীওৎ–মীনৈ চত্থখিবগী ভিদিও ফুটটেজশিংসু উৎখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল বিজেপি লুচিংবশিং অদুনা ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে। লোয়ননা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজিনা লুচিংবা ট্রিনামুল কঙ্গ্রেসকী মেম্বরশিংনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট মীখল অসিদা বিজেপিগী মীওইশিং মীরেপ ওইদনবা অকনবা থবক পায়খৎলকখি।

নোমিনিসেন ফাইল তৌবা লাকপদা বোম, থাঙ অমসুং খূৎলাই মখল কয়া শিজিন্নদুনা থিংনবা হোৎনখি হায়বা ৱারোল য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা হৌজিক দিমোক্রেসিগী মফম লৈত্রে। মমতা বেনরজি লৈঙাক্না দিমোক্রেসি খোঙ্গাওনদুনা অরানবা থৌওং কয়া চত্থরিবা হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা প্রসিদেন্টনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ওইরিবা ফিভম অদু মীৎয়েং চঙবিনবসু হায়জখি হায়রি।

# কুসিনাগরদা ত্রেন–স্কুল ভেন থেংজিন্নবগী থৌদোক থিগৎনবা খঙহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ ঃ** কুসিনগরদা ত্রেন অমসুং স্কুল ভেন থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা অঙাং ১৩ শিখিবা থৌদোক থিগৎনবা রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লনা য়াথং পীখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংগী ইমুং–মনুংদা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লাখ ২, ফিভম লুনা শোকপশিংদা লুপা লাখ ১ অমসুং খরতমক শোকপশিংদা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী কুসিনগরদা ঙসি গার্দ লৈতবা রেলৱে ক্রোসিং অমদা স্কুল ভেন অমদা ত্রেননা থোমজিনবদা অঙাং ১৩ শিখি অদুগা ৮ না অশোক–অপন নংহনখিবনি।

চেরোল অমদা পিয়ুস গোয়লনা হায়, কুসিনগরগী রেলৱে ক্রোসিং অমদা পীক্লিবা মহৈরোইশিং পুবা ভেন অমদা ত্রেননা থোমজিন্দুনা অঙাং ১৩ শিহনখিবা থৌদোক অদু থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা অমনি। ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা অশোক অপন নংলবশিং অথুবা মতমদা ফগৎলক্নবা ঈশ্বরদা থৌনিরি হায়রি।

অদুগুম্বা খুদোংথিবা থৌদোক অদু অমুক হন্না থোকহন্দনবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎকনি। লোয়ননা হায় লেভেন ইনক্কারি কমিতি অমনা থিগৎনবা খঙহনখ্রে হায়নসু লুচিংবা অদুনা ফোঙদোরক্লি।

রেলৱে বোর্দকী চীয়রমেন আস্বানে লোহানেনা ঙসি পাওমীশিংগা উন্নবদা হায়, খুদোংথিবা থোকখিবা মতম অদুদা রেলৱে ক্রোসিং অদুদা রেল ভোলুন্টিয়রশিং লৈখি। মখোয়না স্কুল ভেন অদু লেপহন্নবা হোৎনখি। অদুমক ওইনমক ভেন অদুগী দ্রাইভরনা লেপ্পা লৈতনা থৌজিনখিবনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ান রেলৱেজগী খ্বাইদগী মরুওইরিবা ব্রোদগেজ লাইনশিংদা গার্দ লৈতবা ক্রোসিং ৩,৪৭৯ লৈ। রেলগা মরী লৈননা অদুগুম্বা গার্দ লৈতবা ক্রোসিংশিংদা লৈবাক অসিগী ওইনা ইং ২০১৪–১৫ দা খুদোংথিবা থৌদোক ১০৯ থোকখি।

ইং ২০২০ গী মার্চ ফাওবদা গার্দ লৈতবা রেলৱেজ ক্রোসিং মুত্থৎনবা নৎত্রগা লৈহন্দনবা পান্দম থল্লি হায়রি।

# চহী ৩ গী মতুংদা মধ্য প্রদেশকী খুঙ্গংশিংদা টোটি ঈশিং তাদ্রে, ঈশিং তাঙবগী শাথিবা ফিভম অমা মায়োক্নরে

**টিকমগর, এপ্রিল ২৬ ঃ** মধ্য প্রদেশকী খুঙ্গং কয়া অমসুং টিকমগর সহরদা ঈশিং ফংদবগী অচৌবা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্নরে। টোটি ঈশিং তারক্তবা অমসুং থক্ন–চানবা ঈশিং লৈরক্তবনা মরম ওইরগা খুঙ্গাশিংদা নুমিৎ খুদিংগী কিলোমিটর ৫ রোম লাপ্পা ঈশিং থিবা চৎনরে।



খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নরি খুঙ্গং অমা হায়রগদি ষ্টেট অদুগী কোনুং ভোপালদগী কিলোমিটর ২৫০ রোম চৎলগা লৈবা অমসুং লৌউ–শিংউ অমদি লল্লোন ইতিক্না মরুওইবা শিনফম ওইবা মী ৩০০০ রোম তাবা খুঙ্গং অমনা ওইরে।

সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না পায়খৎপা তোঙান–তোঙানবা স্কিমশিং খুঙ্গং অদুদা ফংবা ঙমদনা লৈরি। খুঙ্গাশিংনা ফোঙদোরকখিবদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা অমত্তা খুঙ্গাশিংনা ফংবা ঙমদে।

মখোয়না হৌজিক থেংনরিবা ঈশিং ফংদবগী খুদোংচাদবা অদু থেংননবগীদমক উত্তর প্রদেশকা তাইনবা ঙমখৈ য়ৌনা চত্তুনা ঈশিং ফংননবা হোৎনরি।

খুঙ্গং অদুগী অঙাংশিং স্কুল চৎপা ঙমদ্রে। মদুগী মহুৎ ঈশিং ফংননবা নৎত্রগা থিনবা হোৎনবনা হেন্না মরুওইবা ওইবা থৌদাং অমা ওইনা লৌনরে।

নুপীশিংনা উমং ফাওদুনা থক্নবা ঈশিং লৌননবগীদমক নুমিৎ খুদিংগী কিলোমিটর ৫ শাংনা চৎনরে। দিষ্ট্রিক্তঃ এদমিনিষ্ট্রেসনসু খুঙ্গং অদুনা চহী ৩ গী মমাঙদগী থেংনরক্লবা খুদোংচাদবা অদু কোকহন্নবা থৌশিং পায়খৎপা লৈতে। খুঙ্গাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু উশিন্নদনা লৈরি হায়না ফোঙদোরকখি।

টিকামগর হায়রিবা অপীকপা সহর অদুদসু তঙাইফদবা মচাকশিং লৈহন্দ্রি। স্কুল, লম্বী থোং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি মতিক চানা ফংবা ঙমদ্রি। অতোপ্পা পাওগী লিখুন অমনা ফোঙদোরকখিবদা উরিষাগী ময়ুরভঞ্জ দিষ্ট্রিক্তসু ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরে।

উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদগী কিলোমিটর ৩০০ রোম লাপ্পা লৈবা দিষ্ট্রিক্ত অদুগী নুপীশিংনা ঈশিং লৌননবগীদমক নুমিৎ খুদিংগী কা হেন্না থাপ্পা মফমদা চৎনরি হায়রি।

RUPMAHAL
The Rupmahal Theatre
Estd. 1943. Regd. No. -7 of 1960-61
THE PREMIER ARTS CENTRE OF THE EAST
B.T. Road, Imphal - 795001 (Manipur) Tele. No. 2451176
ꯃꯥꯏꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ
চহীগী অনৌবা খুদোল
মনি য়ুম্নামগী
"রসগুলাদা হীঙ"
তাং ২৮।৪।২০১৮ ইং নুংথিল পুং ৪
ডাইরেক্তর ঃ এলঃ ব্রজমোহোন
তেংবাংবা ঃ কেএসএঁচঃ সোমোরেন্দ্র
এডভান্স টিকেৎ থাজরে।
SL/Bill/Achouba/18

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 23/03/18
Valid : 22/03/18
Stk : 558
Time : 07.30 to 9.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 12/03/18
Valid : 28/02/18
Stk : 612
Time : 07 to 10 a.m
Rate: Rs. 762.50

**Imphal LPG Service**
Booking : 28/03/18
Sl. No. 57700
Valid : 01/12/17
Stk : 450
Delivery at Heinoupok Godown

**Misao Gas Service**
Booking : 20/03/18
Valid : 27/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10 a.m

**Hranchal Gas**
Booking : 02/04/18
Valid : 31/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K &K Indane**
Booking : 24/03/18
Sl. No. 150
Valid : 15/03/18
Stock :612
Time : 07.30 to 11 a.m

**Chanchi Indane**
Booking : 24/03/18
Valid : 21/03/18
Stk : 612
Rate : 762.50
Time : 08.00 to 10.30 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 01/03/18
Valid : 20/02/18
Stk : 306
Time : 07 to 10.30 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 19/03/18
Valid : 01/03/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 27/03/18
Valid : 23/03/18
Stk : 306
Time : 07 to 10.30 a.m
19 Kg Available

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 14/03/18
Sl. No. 7942
Valid : 12/03/18
Sl. No. 7221
Stock :306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**J. Rongne Gas, Wangoi**
Booking : 01/04/18
Valid : 29/03/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Lamshang Gas**
Booking : 08/03/18
Valid : 28/02/17
Stk : 306
Time : 07 to 10.00 a.m

**R & H Indane**
Booking : 19/02/18
Valid : 31/01/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৫০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 2 | 4 | 3 | 1 | 8 | 7 | 9 |
| 9 | 7 | 3 | 8 | 6 | 5 | 1 | 2 | 4 |
| 8 | 1 | 4 | 2 | 7 | 9 | 3 | 5 | 6 |
| 4 | 2 | 1 | 9 | 8 | 6 | 7 | 3 | 5 |
| 7 | 3 | 6 | 5 | 1 | 4 | 9 | 8 | 2 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 2 | 7 | 6 | 4 | 1 |
| 2 | 4 | 7 | 1 | 9 | 8 | 5 | 6 | 3 |
| 1 | 6 | 5 | 7 | 4 | 3 | 2 | 9 | 8 |
| 3 | 9 | 8 | 6 | 5 | 2 | 4 | 1 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1151**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | 9 | | | | | |
| 4 | | | 5 | | 6 | | | |
| | | | 1 | | 7 | | 3 | 8 |
| | 7 | 9 | | | | | 2 | |
| 3 | | | | 6 | 1 | | 5 | |
| | | 8 | | | | | | |
| | 8 | | | | | | | |
| | 4 | | | | 8 | 1 | 6 | 9 |
| 2 | | | | 4 | 5 | | | |